**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-10-2025)**

**ভল্লা (এল)**ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা মনিপুর পুলিস ফোর্স অসিনা এক্সত্রিমিজমগী মায়োক্তা মায় পাকা ওপরেসন চথখিবা, আইন কায়বা মওংদা থারন্বা পোপীশিং মাঙহনখিবা অমসুং য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মনিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৪ শুবা কুমওন পালন থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়-সরকার অসিনা হেন্না ফবা মখলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ত্রেন্নিং অমসুং য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা পুলিস ফোর্সপু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি। মনিপুর পুলিসপু শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবগী লমজিংবা অমনি হায়না শিংথরদুনা মহাকা মখোয়গী থৌনা লিংজেল, কৎথোকপা অমসুং মথৌদা পুকিং চংবগীদমকসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা পুলিস বিভাগকী এদিসনেল এস.পি. সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং নাওরেম রোসিবিনা দেবীবু রাজ্য অসিগীদমক মিংচৎ পুরকপগীদমকসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মদুগী মমাংদা, রাজ্যপালনা কন্টিজেন্ট ১২ য়াওবা নীংথিজরবা মাস পাচ পেরেড অমগী সলামি ওকখি। রাজ্যপালনা মথৌ নীংথিনা তৌবগীদমক পুলিস ষ্টেসনশিং অমসুং পার্সোনেল কয়াদসু মনা মথুম পীখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা হায়-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা মনিপুর পুলিস, ভি.দি.এফ অমদি হোম গার্দ য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদ থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলক্লি। মহাকা হায়-

সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুশিংনা মফম কয়াদা চেক পোষ্ট হাংদোক্কুনা অকনবা থবক লৌখৎলি। নেসনেল হায়ৱেশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ানবা সেক্যুরিতি কনবোইশিং থম্লি। পুমমক অসিগী মথক্তা মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খায়বা থিংনবা চহি অসিগী জানুৱারী ২৬ তা টোল ফ্রি নম্বর হাংদোকখ্রে। হৌখিবা চহি অমা অসিদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী লুচিংবশিংদগী চাউরাকা লুপা লাখ ৬৯ ফাগৎখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এস.আই.টি. ৪২ না পায়বা কেসশিংগী মনুংদা পুন্না কেস লিশিং ১,৪৮১ লোয়শিনবা ঙমলে।

থৌরমদুদা, রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা, এম.এল.এশিং, রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, দি.জি.পি. অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা অহানবা মনিপুর রাইফলসকী বঙ্কেট হোলদা ঈ দান তৌবগী থৌরমদা মনিপুর ফয়ার সার্ভিস বিভাগকী ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াখি।

মনিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী চহি ১৩৪ শুবা রাইজিং থৌরম ককচিং জিলাদসু জিলাদসু রাজ্য পুলিসনা শিনদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা কিলোমিটর ১০ গী লমশাং লমজেল অমসু চেনখি। লমজেল অদু জিলা অসিগী এস.পি. প্রিয়া দরসনি লাইশ্রমনা সেকমাইজিং থোং মমাংদগী লমথাখি।

**পুলিস (এল)ঃ** পুলিস কমোরেসন ৱিক্কা মরী লৈননা লাই য়েকপা চাংদমবা অমা ঙসি মনিপুর পুলিস ট্রেন্নিং কলেজ-পাংগৈদা পাঙথোকখ্রে ।

কেটেগোরি অনি থোকা পাঙথোকখিবা চাংদমবা অদুদা ক্লাস ফাইবতগী আইট ফাওবগী কেটেগোরিদা এস.ভি. গেটৱেল হাউতেলগী খুন্দ্রাকপম অগননা অহানবা তারে। অদুগা ক্লাস নাইনদগী টেন ফাওবগী কেটেগোরিদা আর.কে. সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়-হাউতেল-মনিশা দাসনা অহানবা তারে।

**বোম (এল)ঃ** মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) গী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট-ডা: এস. ইবোমচাগী উরিপোক লম্বোইখোঙনাংখোঙদা লৈবা য়ুমগী থোঙ্গালদা ঙসি অয়ুক শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লম্লে।

বোম থমজিল্লম্বগী থৌওং অদুবু এম.পি.পিগী থৌমীশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীদনবা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি হায়না এম.পি.পিগী চেরোল অমনা ফোংদোক্লি।

**খবর (এল)ঃ** ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং এদিটরস গীল্ড মনিপুর (ই.জি.এম) গী অপুনবা মীফমনা হয়েংদগী মহৌশাগুম পাউচে পুথোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, পাউ ফোংবা য়াই-য়াদে হায়না তৌনবগী ৱাহৌদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা অমজ অমসুং ই.জি.এমগী অথুবা মীফমনা পাউচে পুথোক্তনবা ৱারেপ লৌখিবনি। অদুমওইনমক, ঙসি য়ুনিয়নগী অপুনবা মীফম অমা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লবা মতুংদা হয়েংদগী মহৌশাগুম পাউচে ফোংনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

**উৎসব (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী এদুকেসন (এস) না শিনদুনা সমগ্রহ শিক্সাগী মখাদা রাজ্যগী থাক্তা চথুরকপা কালা উৎসব ২০২৫ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ইম্ফালগী জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীদা পাঙথোকখিবা লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা মনিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা পুনেদা মথং থাদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল কালা উৎসব ২০২৫ দা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী ষ্টেট ৱিন্নরসু লাউথোকখি। চহি অসিগী ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী ওইনা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা শরিক-শরাক কয়াসু উৎখি। তোঙান তোঙানবা কাংলুপ খাইদোক্তুনা

অথোই অহেন তান্নবা অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংনা পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল কালা উৎসবতা মনিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর) না লাঞ্জেন্নদুনা রিলিপ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা আই.দি.পি. অঙাংশিংগী ওইবা মেন্টেল হেলথ কেম্প অমা ঙসি ককচিংগী অঙাংচীং ইকো পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু কম্মিসননা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী সাইকিয়াত্রি অমদি ক্লিনিকেল সাইকোজি বিভাগ, সোসিএল ৱেলফিয়ার, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিস-ককচিং অমসুং ককচিংগী চাইল্ড ৱেলফিয়ার কমিতিনা খুৎশমদুনা শিনদুনা থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী রিলিফ কেম্পতা লৈবা অঙাংশিংগীদমক পাঙথোকখিবনি।

নোংমগী ওইবা মেন্টেল হেলথ অমদি সাইকো সোসিএল সপোর্ট ক্লিনিক অদুদা রিমসকী সাইকিয়াত্রি দিপার্টমেন্টকী হেদ-ডা: ঐচ. গোজেন্দ্র অমসুং ক্লিনিকেল সাইক্লোজি দিপার্টমেন্টকী হেদ-ডা: সমিতা অনিনা লুচিংদুনা রিলিফ কেম্প মঙা-মঙাদগী খনগৎলবা অঙাং ৪০ রোম লায়েংখি। লোয়নননা মথৌ তাবা হিদাক লাংথকশিংসু লেমা পীখি। তুংদা, অঙাংশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা লাই য়েকপা অমদি ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**কেম্প (এল)ঃ** নোংমগী ওইবা লেমা মিৎ লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু সোসিএল এদুকেস্নেল এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন অমদি স্কারলেট আই কিয়ার-থৌবাল অনিনা পুন্না শিনবনি। কেম্প অদুদা মীওই ১৫০ রোম লায়েংখি হায়রি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ হয়েংনি।

তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা মীখল পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২৩ নি।

মরক অসিদা, বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম হয়েং লোইরে। বি.জে.পি. অমসুং জনতা দল য়ুনাইটেদনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক্তা স্তার কেম্পেইন কয়ানা ভোট খোল্লি।

রাজ্য অসিদা মীখল নিয়ম চুমা শান্তি ওইনা পাঙথোকবা পুলিস য়াওনা অতৈ এজেন্সি কয়ানা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। ইনকম টেক্স বিভাগ, রাজ্য পুলিস অমসুং এক্সাইস বিভাগনসু খোঙথাং কয়া পায়খৎলি।

রাজ্য অসিদা ওক্তোবর তরুক্তগী মোদেল কোর্ড ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখিবদগী মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা শেল ওইনা লুপা কোতি অনি লাখ ৭৩, লুপা কোতি ২২ হেনবগী য়ুশিং, লুপা কোতি ১৬ লাখ ২১ হেনবগী নিশাগী পোৎলমশিং অমসুং লুপা কোতি মঙারোমগী তোঙান তোঙানবা পোৎলশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অহানবা তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোৎ মথং থাগী ৬ তা থাদনগনি। ভোট মশিং পুন্না নবেম্বর ১৪ দা থিগনি।

**ইসিআই ঃ** বিহার বিধান সভা মীখল অমসুং অতৈ রাজ্যশিংগী বিধান সভা কেন্দ্র ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং সেন্ট্রেল ওবজাভরশিংনা নীংথিনা য়েংশিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসননা খঙহনখ্রে।

চেরোল অমদা কম্মিসননা হায়-বিহার বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা জেনরেল ওবজাভর ১২১ অমসুং পুলিস ওবজাভর ১৮ মথৌ

তৌগনি অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা জেনরেল ওবজাভর ১২২ য়াওনা পুলিস ওবজাভর ২০ মথৌ তৌগনি।

মরক্কী মীখলগী ওইনা জেনরেল ওবজাভর অমসুং পুলিস ওবজাভর ৮-৮ মথৌ তৌগনি।

**রেলৱেজ** ঃ সেন্ট্রেল রেলৱেনা লাক্লিবা হরাউ কুম্মৈগী মতম অসিদা বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশ য়াওনা অৱাং ভারতকী মফম কয়াদা অখন্নবা রেল গাড়ি লিশিং ১,৭০০ হেন্না চেলহনখ্রে। দিৱালি অমসুং সদ পুজাগী মতমদা ভক্তশিং অমদি মীয়াম্বু চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগী পান্দমদা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি।

মরক অসিদা, রেল মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা নিউ দিল্লি ষ্টেসনদা ঙরাং নুমিদাং চত্তুনা হরাউ কুম্মৈগী মতম অসিদা মীয়ামা রেলগাড়ি তোংদুনা চৎপদা করি খুদোংচাদবা মায়োকরিবগে হায়বদু য়েংশিনখ্রে। মন্ত্রিনা হায়- মীয়ামা রেলগাড়ি তোংদুনা চৎপদা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা খুদোংচানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মহাকা হায়- রেল ষ্টেসনশিংদা মী চিনবগী চাং হেনগৎলবসু রেলৱেগী ষ্টাফনা পেসেঞ্জরশিংগী খুদোংচানবগীদমক পুং ২৪ চুপনা মথৌ তৌরি। হরাউ কুম্মৈগী মতম অসিদা মীয়ামগী দরকার লৈবা অদু য়েংলগা অখন্নবা রেলগাড়ি লিশিং ১২ রোমসু চেলহল্লে হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**রাজনাথ**ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু দিল্লিগী নেসনেল পুলিস মেমোরিএলদা পাঙথোকপা পুলিস কোমেমোরেসন নুমিৎতা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা পুলিসকী পার্সোনেলশিংদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎকনি।

১৯৫৯ গী নুমিৎ অসিদা লদাগকী হোট স্প্রিংসতা খুৎলায় নিংথিনা পায়রবা চাইনাগী লান্মীশিংনা এম্বুস তৌদুনা পুলিসকী মীওই ১০ হাৎখিবনি।

মদুদগী হৌদুনা চহি খুদিংগী ওইনা নুমিৎ অসিবু পুলিস কোমেমোরেসন ডে হায়না পালন তৌদুনা লাকখি।

থৌরম অসিদা সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্সেস অমসুং দিল্লি পুলিসকী অপুনবা পেরেড অমসু চৎকনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ২২ দগী ৩০ ফাওবা নেসনেল পুলিস মেমোরিএলদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি। মদুগী মনুংদা সহিত ওইখ্রবা পুলিসকী মীওইশিং অদুগী ময়ুমদা চৎপা, পুলিস বেন্দ দিসপ্লে, মোটোর সাইকল রেল্লি, ঈ দান তৌবগী কেম্পশিং, অঙাংশিংগী এসে অমদি লাই য়েকপা চাংদমবা, পুলিস পার্সোনেলশিংগী মথৌনা মরিংজেল অমসুং কৎথোকপবু উৎপা ভিদিও ফিল্মশিং কাপ্পনচিংবা য়াওরি।

**পাকিস্তানঃ** দোহাদা ৱারী শান্নরবা তুংদা পাকিস্তান অমসুং অফগানিস্তাননা খুদক্তগী নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পা হায়না য়ান্নখ্রে।

কতার অমসুং তরকিনা মেদিয়েটর ওইদুনা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা অদু পুরকখিবনি। কতারগী বিদেস মন্ত্রালয়না হায়-নাকল অনিমকা মখা তানা ৱারী শান্নবা হায়নসু য়ান্নখি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা পাকিস্তান অমসুং অফগানিস্তান লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা  চথুখিবা এটেক অমদা পাকিস্তানগী লান্মী তরেৎ শিখিবা অমসুং অতৈ ১৩ না অশোক অপন নংখিবা অদুগী তুংদা উংখৎনবা ফিভম অদু লৈরকখিবনি।

**ক্রিকেটঃ**  চান্দিগরদা পাঙথোকপা ভিনু মনকর ত্রোফি-২০২৫-২৬ প্লেট দিভিজন ক্রিকেটতা মনিপুরনা ৱিন্নর ওইরে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মনিপুরগী নুপাগী চহি ১৯ মখাগী টিমনা সিক্কিমবু রন-২০৫ দা থোইদুনা ত্রোফি অসিগী মপু ওইখিবনি। মেটচ অদুদা মনিপুরনা অহানবা বেটিং তৌদুনা রন-২৮১ লৌখি। মদুদা লককি থোকচোমনা

রন-১৩০ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

মনিপুরগী টিমনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইরকপদা মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**পোলো** ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চথুরিবা ৩৮ শুবা এন.হ্জারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা অসাম রাইফল পোলো টিম (বি) না রুদকুমার পোলো-নাগামপালবু পাঞ্জল ১০-১ দা থোইখ্রে।

**বোদি ঃ** ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা এ-থি ফিটনেসনা শিনদুনা পাঙথোকপা অনিশুবা এ-থ্রি ক্লাসিক ২০২৫ ষ্টেট লেলেব ওপন মেন্সন, ৱিমেন্স বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক চেম্পিয়নসিপকী মকোক মথং তারবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

খুরাই লমলোংদা লৈবা সঙ্গিৎ কালা সঙ্গমদা তোঙান তোঙানবা জিম ২৬ তগী লাকপা শান্নরোহ ৪৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা চাংদমবা অদুদা নুপাগী স্পোর্টস ফিজিক্তা মশল ফেক্তরিগী লৈমপোকপম অভিশেক, জ্নিয়ারদা ওগষ্টকী চোংথাম বিদ্যানন্দা, নুপীগী মোদেল ফিজিক্তা মশল ফেক্তগী লাইশংবম সোনিয়া, বোদি বিল্ডিংদা ৱার্ল্ড জিমগী থোকচোম সনজিতানা অহানবা তাখি। অদুগা মাস্তরগী কাংলুপ্তা এম.পি.এস.সিগী ডব্লিয়ু কিরন অমসুং সেনিয়ারগী কাংলুপ্তা অগষ্টকী কৈথেলাকপম মালেমঙানবদা অহানবা তাখি।

**ফূটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা চথুরিবা ২২ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কে.এম.এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরকনা এস.দি.ও. পলেনবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে। কৈরককী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু

এম.দি. শামির, এম.দি. মাজ অমসুং চেসাবম রাজনা চনখি।

এস.দি.ও. পলেনগী অমত্তা ঙাঁয়রবা পাঞ্জল অদুনা চিংলেম্বনা চনখি।

**হোক্কি ঃ** সুলতান ওফ জোহর কপ ২০২৫ গী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ভারতপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা ভারত লুপাগী তকমান ফংহৌরে।

মালেসিয়াদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইয়ান গ্লোবেলারনা ১৩ শুবা মিনিত্তা মখোয়গী অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু ১৭ শুবা মিনিত্তা ভারতকী অনমোল ইকানা পাঞ্জল ১ চন্নদুনা হাল্ফ টাইম ফাওবদা পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখি। অদুবু ইয়ান্না সেকেন্দ হাল্ফকী ৫৯ শুবা মিনিত্তা অতোপ্পা পাঞ্জল অমগা অমুক চনদুনা ভারত ২-১ দা মায়থিখি অমসুং লুপাগী তকমান ফংখি।